# অচুম্বসিবু লৈরিবরা - ৭৮

## ডা. এল শশীকুমার, য়ূরেম্বম

*কুমজা* ১৯৪৯ দা মণিপুরবু ইন্দিয়াগী মনুংদা নমদুনা তিনশিনহনখিবদগী লমদমসিদা ঙসি ফাওবা মীওৎ মীনৈ কয়া লেপ্তুনা চঙশিল্লকই। মসিমক পুৱারীগী লমায়দা হঙ্গৎনা নৈনবগী তঙাইফদবা লৈতবা নত্তে। মসিমক্ন া লমদমসিদা পোকচবা লাইরিক লাইশু খঙ-হৈরবশিংনা নীংবা কায়না ঙসি ফাওবা থম্মোয়দা নীংঙমদনা খাঙলি। কুমজা ১৯৫৮ দা ইন্দিয়াগী পার্লিয়ামেন্টনা আর্মদ ফোর্সেস স্পিসিয়েল পৱারস এক্ট শেমদুনা আইন অমা পাস তৌখি। মসিগী মখা চত্থরকপদা মণিপুরদা কুমজা ১৯৭০ দগী হৌদুনা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মচেৎ-মচেৎ কয়া থোক্লা তমথিরবা এক্ট অসি থমজিন্দুনা মখল মখা কয়াগী মীওৎ মীনৈ কয়া চত্থবা হৌরকখি। মপূং ওইনা এক্ট অসি এন এস সি এনগী অকনবা লালহৌবগী ঈরাং চত্থরকপদগী চীংগী মফম কয়াদা থমজিনখিবনি। মপূংদা এন এস সি এন হায়বা লালহৌলূপ অসি মণিপুরগী লালহৌলূপ অমরা? ৱাহং অমদি চাউনা লৈতবা নত্তে। মসিমক ঙসিগী চীংমী তম্মী খুদিংমক্লা নৈননিঙাই অমসু ওইদবা নত্তে। অসিগুম্বা নুং-পানগী ৱাফম খুদিংমক মীয়াম্না তশেংনা খঙনরবা ঙাক্তনি। ঙসিগী মীয়াম্না অমুবা আইন হায়না খঙনরিবা এক্ট অসিদি কোংগ্রেসকী লৈঙাক সাসন মতমদা পুশিল্লকখিবনি। মরম অদুনা কোংগ্রেস করম্বা পোলিটিকেল পার্টিনো খঙবা তঙাইফদে।

কুমজা ১৯৭৪ দা এক্ট অসিগী খুদোংচাবা লৌদুনা মরাল লৈজদ্রবী চমজরবী তাঞ্জুল চনু নিঙোল রোজবু তমথিরবা এক্ট অসিগী খুদোংচাবা লৌদুনা ওৎপী নৈবীরবা মতুংদা বি এস এফকী কাঙবুনা নুপী ওইবীগী ঈজৎপু মাঙহনবীখিবা অসিমক মণিপুরগী পুৱারিদা কৈদৌনুংদা মুৎনাইররোইদবা নীংশিং খুদম অমা ওইহৌরবনি। ঙসিগী মীয়াম্না মসিমক কোংগ্রেসকী লৈঙাক্কী মখাদা পুরকখিবা এক্ট অমনি হায়বসি খঙই। মসিগী ফংফম থোকপা খুদিংমক কোংগ্রেসকী থৌশিল ঙাক্তনি। মতম অদুদা কনানা করম্বা পোলিটিকেল পার্টিনা লৈঙাক পায়বগে হায়বা পুৱারীগী তাঙ্কক নীংশিংফম থোকই। অসুম্না লেপ্তুনা চত্থরকপদগী মণিপুরগী চীং-তম অনীমক্কী মীয়ামদা মখল মখা কয়াগী চৈথেং এক্ট অসি পীরকখি, মীওৎ-মীনৈ মথং মথং মণিপুরগী মফম খুদিংমক মৈশা লাংহনখিবসি লৈঙাক পুরিবা পোলিটিকেল পার্টিশিংবু মীয়াম্না কৈদৌনুংদা কাউফম থোক্তে।

কুমজা ১৯৮০ দগীদি মণিপুরগী মফম খুদিংমক্তা দিষ্টর্ব এরিয়া লাউথোক্তুনা আর্মিদা খুদোংচাবা মপূং ফানা পীথোকখ্রে। মতমদুদা মণিপুরদা মতম শাংনা পেন্নদবগী থম্মোয়দা ফুমদুনা থম্নরম্বদু মপান থোরক্লে। মণিপুরগী চীং-তম খুদিংমক্তা অনৌবা মখলগী ঈরাং অমা ফজনা ফোঙনরকখি। মসিদগী মীয়ামগী থম্মোয়দা লৈনরম্বা কয়াবু ঈহৌ কয়া ফোঙনরক্লে। মতম কুইনা লাইরিক লাইশুদা মতিক চানা হৈথোই শিংথোইরবা নহারোল কয়া পেন্দবগী নীংবা কায়রবশিংনা ফোঙনা চোঙথোরক্তুনা লালহৌবগী ঈহৌ মপূং ফানা মপান থোরকখি। মসিমক্লা লৈঙাক্কী মফমদা পীরক্লিবা চেনবা যাদ্রবা চুম্লবা ৱাফম অমনি। মণিপুরদা লালহৌবগী অকনবা ঈহৌ অসিদি লৈঙাক সাসন অসিনা মীয়ামদা পীরকপা খুদোল অমনি।

কুমজা ১৯৮০ গী এপ্রিল ২৬ তা সি আর পি এফনা লাংজিংগী থৌদোক, পাৎশোই পার্ট ৱান্দা নুংথিল পোবোবতা ওপরেসন চত্থরদুনা মরাল লৈজদ্রবা মীচম মীয়াম্বু তমথিনা ওৎ নৈবিখি। মসিগী মথক্তা মবুং মৌপ্বা কয়াগী মমাঙদা ফোঙনা ঈজৎ মাঙহনবীখিবা, মৱা মপুরোইবা কয়াবু ফাদুনা থল্লগা মমাঙমক্তদা ঈজৎ মাঙহনখিবা মণিপুরগী পুৱারীদা কৈদৌনুংদা কাউবা লৈতনা নীংশিংদুনা লৈহৌরগনি। অসুম্না মথং-মথং মখল মখাগী সেক্যুরিটিগী কা হেনবা থৌদোক ৱাথোক মথং মথং চত্থরকপা নীংশিংবা তঙাইফদে। চহী অদুমক্কী এপ্রিল ২৭ তা ইম্ফালগী খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা পোৎফম ফমজবী কাঙবম লৈকায়দগী ইমা অমা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখি। অসিগুম্বা নোংমৈ পায়বশিংগী মীনুংশি য়াওদবা মীওৎ-মীনৈ খাঙবা ঙমদবদগী হৌরকপা ঈহৌদা মশা ৱাই শংদ্রবী য়ূম্নাম খুনৌদগী সিনাম ওংবী প্রিয়ারী সেক্যুরিটিনা হৱা গাড়ীদগী লংথদুনা হাৎপীখি। কুমজা ১৯৮১ গী জানুৱারী ২০ দা সি আর পি এফনা ফাখিবা চান্দম চাওবা ঙসি ফাওবা শাংলবা চহী কয়াসি মরী মখোং খঙদনা লৈরি। কুমজা ১৯৮২ গী জানুৱারী ২৩ দা পীশুমদগী দি এম কোলেজদা তম্বা মহৈরোয় বসন্তকুমারবু প্রাইভেট তম্বা হঞ্জরকপদা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎপীখি। কুমজা ১৯৮৩ দা পুংদোংবমদগী বুধ কৌবা নহা অমা আর্মিনা কাপ্তুনা হাৎপীখি। কুমজা ১৯৮৪ দা হৈরাঙ্গোই থোংগী বোল্লি শান্নফমদা সি আর পি এফনা মীচম ১৩ হাৎখিবা পুৱারীগী লমায়দগী কৈদৌনুংদা কাউথোকপা য়াররোইদবা মীহাৎনি।

কুমজা ১৯৮৪ গী জুলাই থাদা থোকখিবা ওইনামগী থৌদোক, আর্মিগী মীওৎ মীনৈ মসিমকসু চীংমী তম্মী ইচিন ইনাওশিংদা নত্তনা মণিপুরগী পুৱারীদা কাউঙমলরোইদবা থৌদোক অমনি। মসি পূম্নমক আর্মিদা পীবা শক্তিনা মতম মতমদুগী লৈঙাক্লা আর্মিদা করিসু হায়বা ফাওবা ঙমখিদবসিমক দেমোক্রেসিগী করম্বা শক্তম অমনো? মীয়ামগী ৱাহংনি মসি ঙম্নমক্কী মথক্তা মমাঙথক্কী থৌদোক ৱাথোক মীয়াম্না ফজনা ইনাদা, মীৎমাঙদা ফোঙনা উনখ্রবনি। মতমদুগী মন্ত্রি মন্দল ফাওবনা আর্মিশিংনা চত্থরকখিবা ৱাফমশিং হঙ্গৎনা নৈনবগী মথৌ লৈতবা নত্তে। ঐখোয়গী লৈঙাক অসিদি মন্ত্রি মন্দল খুদিংমক্কী শক্তি হায়বসি করিসু ঙমখিদে। মন্ত্রি ওইরিঙৈ মশা মশাগী খুদোংচাবা লৌশিনহৌবা ঙাক্তনি। মন্ত্রি ওইরম্বশিংগী ইমুং মনুং, মরী-মতাশিংগীদমক শেম্বা লৈঙাকনি। মসিমক ঙসি ফাওবা মীয়াম্না ফজনা খঙনা উনরিবনি।

কুমজা ১৯৯৩ গী ওগষ্ট ২৫ দা তেরা বজারদা অয়ূক্কী পুং ৮.৫০ রোম তাবা মতমদা মীচম ৫ নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবা, কুমজা ১৯৯৫ দা তোংশেম লমখাইদা মীচম ১০ হাৎখিবা, কুমজা ১৯৯৫ গী জানুৱারী ৭ কী অয়ূক্তা রিমসকী কম্পাউন্দদা মীচম কয়াবু পরেং লেংদুনা লেপহল্লগা সি আর পি এফনা ৱাখল তাদনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎপা, ফয়েংদগী ওটো থৌদুনা হিংনবা হোৎনজরিবা অঙোম দেবেন্দ্রো এলাইজ তোম্বা চহী ৩৬ না মাগী থৱায়তদি কনবীয়ু হায়দুনা খুরুমজরবা ফাওবা ময়াং লান্মীশিংনা মকোক্তা নোংমৈনা কাপশিন্দুনা হাৎখিবা, কুমজা ১৯৯৪ গী নবেম্বর ১২ গী নুংথিলদা নিঙোমথোংদা সি আর পি এফ অমা শকখঙদবশিংনা হাৎপা মদুগী লমন খুম্বা ওইনা নুমিৎ অদুগী নুমিদাংদগী হৌদুনা মথংগী অয়ূক পুং ১০ রোম তাবা ফাওবা চত্থরকখিবা ওপরেসন্দা মীচম কয়াবু ওৎ নৈখিবা, মতমদুগী এম এল এনা করিসু তৌবা ঙমখিদবা অদু নীংশিংবা মথৌ তাই। কুমজা ১৯৯৪ গী সেপ্টেম্বর ১৫ শগোলশেল নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ রোম তাবা মতমদা ৱাংজিংদা শকখঙদবশিংনা এ আরদা নোংমৈনা কাপ্লম্বগী থৌদোক্তা মরাল লৈজদ্রবা মীচম কয়া ওৎ নৈখিবা মতমদুগী থৌবাল এস পি ফাওবা চঙহনখিদবা অসিগুম্বা ঐখোয়গী লৈবাক্কী ইরমদমসিগী লৈঙাক মপুশিংনা করিসু তৌবা ঙমহনখিদবা নীংশিংবা মথৌ তাই। কুমজা ১৯৯৬ তা তাকয়েল খোংবানগী অহঞ্জাওবীবু রাষ্ট্রিয়া রাইফলনা মাগী য়ূমদা চঙদুনা নুপী ওইবীগী ঈজৎ মাঙহনখিবা অসিগুম্বা কয়াসি চত্থরক্লবা ফাওবা খঙনা-খঙনা, উনা-উনা, তানা-তানা মতমদুগী লৈঙাক পায়রিবশিংনা মরাল লৈবশিংবু করি করম্বা চৈরাক পীবিখ্রবগে? অসিগুম্বা ইন্দিয়াগী দিমোক্রেসিগী ৱাহম্ভোক য়াওদবা লৈঙাক পুরম্বশিংনা মখোয় মশা মশাগী মরল মথুম লেপশিনহৌবা নত্তনা মীচম মীয়ামগী করি তৌবিখ্রবগে?

লমদমসিগী মীয়ামগী অৱাবা দষা তারবশিংগী করিসু খন্দবা লৈঙাকসিগী মায়োক্তা মীচম মীয়াম্না ঙসি ফাওবা খাঙলি। অসিগুম্বা লুরবা তাঞ্জা অসিদা মীওইবগী পুন্সি কঞ্জনবা থম্মোয় শেংনা শান্তি ওইনা ৱাথোক-লাম্ভোক য়াওহন্দনা মীওইবা খুন্নাইগী হক কঞ্জনবা মীয়াম মরক্তগী থম্মোয় শেংনা অৱা অনা কয়া খাঙনরক্লবা মীশক কয়া লৈতবা নত্তে। মথক্তা খরদং পৌরপ নীংশিংমিন্নবনি।

কুমজা ২০০০ গী মালোমগী থৌদোক অমদা নুপী য়াওনা মীওই তরা বস ঙাইরিঙৈদা হাৎখিবা পুৱারিগী অরংবা থৌদোক অসিগুম্বা থৌদোকসিদগী চহীদুগী নবেম্বর ২ দগী মশাগী ওইজবা কয়া থাদোক্তুনা আর্মিগী কা হেনবা শাজৎ অসি পেন্দ্রদুনা চরা হেনবা হৌখিবী ইরোম চনু শর্মিলা মণিপুরগী পুৱারীগী অওনবা শক্তম অমনি। ইচন শর্মিলানা লৈঙাক্কী মায়োক্তা শাংলবা চহী ১৬ রোম চরা হেল্লকপা মালেমগী মীয়াম্না ঙক্তবা ঙম্নদে। মসিমক্লা ইচন শর্মিলাবু 'আইরন লেদি' হায়না মালেমনা শকখঙবীরে। মালেমনা আইরন লেদি মীংথোনবীখ্রবী ইচন শর্মিলা চহী ১৬ চরা হেনবা ঙসিগী ইন্দিয়াগী অমদি মণিপুরগী লৈঙাক পায়রিবা পূম্নমক্লা করিসু নাচুংবীদ্রে। ইচন শর্মিলানা 'অমুবা আইন' অফস্পা লৌথোকউ হায়বসি ইচন শর্মিলাখক্তগী নত্তে। মণিপুর মীয়ামগীসু অপাম্বনি। জষ্টিশ জিবন রেদ্দি কম্মিসনগী রিপোর্ট অমদি অতৈ অতৈনা ফনা ফজবা ৱাফম কয়া পীরবসু ইন্দিয়াদা লৈরিবা লৈঙাক অসিদি মপাম্ভোংদা দেমোক্রেসিনি হায়জরবসু নুংগী মরোলদি আর্মিনা লৈঙাক তৌবনি। মতাংসিদা আর্মিনা লৈঙাক্লি হায়বদা কদায়দা করি লানবগে? মমাঙথক্কী পুৱারীনা লেংদ্রবা খুদমনি। মরম অদুনা ইচন শর্মিলানা চরা হেনবা তোকপা য়াই। ইন্দিয়াগী সাসন অসিদি নুং পান অনীগী অর্থ চেনবা লৈঙাক অমনি।

মতাংসিদা থমজনীংলিবদি ইন্দিয়াগী লৈঙাক দেমোক্রেসি অসি ফোংনা আর্মিগী লৈঙাকনি হায়দবা য়াররোই। অসিগুম্বা আর্মিগী লৈঙাকসিদা ইচন শর্মিলানা ইন্দিয়াগী দেমোক্রেসিদা থাজবা থম্লদুনা পোলিটিক্সরোমদা মায়ওন লাকপসি খরদং হেন্না চনিং তানা খন্থবগী মথৌ লৈব্রা খল্লি। দেমোক্রেসি হায়বসি নম্বর গেমনি। নম্বর গেমগী ৱাহম্ভোক কয়া লৈতবসু নত্তে। ঙসি ইন্দিয়াগী দেমোক্রেসিদা নোংমা নোংমগী শোয়থরক্লিবা মরকসিদা ইচন শর্মিলানা থোৎলবা দেমোক্রেসিদা য়াওরগে খনবসিদি খরদং হেন্না লুম্না খন্থবগী তাঞ্জা লৌহন্নীংই। ইচন শর্মিলাগী 'আইরন লেদি' মিংথোল অসি হেন্না লুম্না খন্থবা মতাং অমদি ওইরি। চরা হেনবা তোকপা য়াই মদুসু দেমোক্রেসিনি। ঐগী ঐগী অপান্বা অনীংবা পাঙথোকপদা মালেমদা কনানসু থিংবিদে। অদুবু খরদং খন্থবগী তাঞ্জা লৌহন্নীংই।

# সনামহী টেম্পল বোর্দনা অশেংবা মীতৈগী পুয়া অমা খনবা (খঙদোকপা)

## মঙাংচা কৈসাম ইবোমচা

***ইরমদম*** কংলৈপাক অসিগী ইনাৎকী ওইবা অশেংবা লাইরিক/পুয়া অমখক, হিন্দুশিংগী শ্রীমদভাগবত, মুসলিমশিংগী কোরান, খৃষ্টানশিংগী বাইবল, শিখশিংগী গ্রন্থসাহেব লাইরিক মমিং পন্দুনা ৱায়েলশঙদা ৱাশকপগুম পুয়া অমগী মমিং পন্দুনা ৱাশকপা পাম্নখি। চৈচৎ ১৯/৪/১৯৮৭ কুমজাদগী লৈপাক মীয়াম্না খন্নদুনা লাকখি। মতুংদা চৈচৎ ২৭/৫/১৯৮৮ কুমজাদগী লাইনিংথৌ সনামহী লাইশঙদা নোংমাইজিং নুমিৎ অয়াম্বদা লৈপাক্কী ইনাৎ চৎলবা মাইচৌ মাইনৌ অখঙ-অহৈ, থৱায় য়াওবা মীওইশিং য়াওনা পূন্না ফম্মিন্নদুনা অরিবা লাইরিকশিং থিজিন খোমজিন দুনা খন্ন-নৈনবগী থবক চত্থখি। চৈচৎ ২৩/৬/১৯৯১ কুমজাদা লৈপাক্কী ইনাৎ চৎলবা অখঙ অহৈ ৭৮ লোমদা পাউজেল পীজদুনা মীওই মাপননা শাবা অখঙ অহৈ লূপ অমা শেমদুনা অশেংবা পুয়া/লাইরিক অমা খনগৎনবা থবক মখা চত্থখি। মীওই মাপন অদুদি ১) অকোইজম নোদিয়াচান্দ পিবা, কোঞ্জেং লৈকায়, ২) মোইরাংথেম নরেন্দ্র, খোংমন, ৩) নিংঙোম্থম মনিজাও, কোনুং, ৪) অথোকপম য়াইমা, লংদুম, ৫) সাইরেম নিলবীর, ৬) ডাক্তর লাংপোকলাকপম ভাগ্যচন্দ্র, পিশুমথোং, ৭) সগোলশেম লৈবাকমচা (জিলা), সগোলবন্দ, ৮) চোংথাম লিল্লা, নম্বোল নাওরেম, ৯) অয়েকপম তোম্বা, তেরানি। চৈচৎ ২৭/৫/১৯৮৮ কুমজাদগী চৈচৎ ২৬/৪/১৯৯২ কুমজা ফাওবদা মীফম ৩১ রক সনামহী টেম্পল বোর্দকীদা ফমদুনা পুয়া/লাইরিক ১২ গী মনুংদগী লাইরিক মরিখক অখঙ অহৈশিংনা খনগৎলে। মখোয় অদুদি ১)খমলাংবা ইরেং পুৱারী - অশিন-অরাং লূপ, ২) ৱাকোকলোন হিলেল থিলেন সলাই অমাইলোন পুকোক পুয়া - মান্নবা অপূনবা মরুপ রে: জি: নং ৩৯৮১, ৩) ৱাকোকলোন থিলেন সলাই অমাইলোন পুকোক পুয়া - ডা. লাংপোকলাকপম ভাগ্যচন্দ্র, পিশুম, ৪) সাকোক থিলেন - সাইরেম নিলবীর, খুরাই। পুয়া/লাইরিক নৈনবদা য়ূম্ফম ওইখিবা (criteria) ১বা য়ূম্ফম - ইনাৎকী লাইনীং লীচৎকী য়ূম্ফম ওইবা লাইরিক ওইগদবনি। ২শুবা য়ূম্ফম অরিবা পুয়া/লাইরিক ওইরবসু অতোপ্পগী নাৎ অমসুং চৎনরোলদগী ৱাহম্ভোক লৌথোক্লকপা নৎত্রগা ৱাখল লৌবা মখলগী ওইরোইদৌবনি। ৩শুবা য়ূম্ফম - পরিং নাইবা লাইরোন লৈশেম লৈহৌ-নোংহৌরোন ওইবা ওইগদবনি। অসুম খন্ন-নৈনখিবা লাইরিক ইনাৎকী অশেংবা পুয়া খন্ন-নৈনবা অহানবা ফোঙবা চৈচৎ ১২/৯/১৯৯২ কুমজা, অনীশুবা ফোঙবা চৈচৎ ১৭/১০/১৯৯৩ কুমজা লাইরিক অসি মীয়ামদা পাদুনা নৈনহনখ্রবা চহী চৈচৎ ১৭/১৮ গী মতুংদা লৈপাক্কী অচৌবা মীফম অমনা 'কুপথি থৌপাংলূপ' কৌবা অমা শেমদুনা অরিবা পুয়া অদু চৈচৎ ০১/০১/১৯৯১ কুমজাদা চহী ৩০০ শুবা/হেনবা অরিবা পুয়া ওইগদবনি হায়না লৈপাক্কী মফম কয়াদা মীফম কয়া পাঙথোক্লখি। মতৌ অসুম্না চত্থরক্লবা মতুংদা কুমজা ১৯৯১ দা পুয়া/লাইরিক ১২ দগী মরিখক খনগৎখিবা অদুগুম্না পুয়া মরিদগী অমখক ওইনা ৱাকোকলোন হিলেন থিলেন সলাই অমাইলোন পুকোক পুয়াবু অশেংবা মীতৈগী পুয়ানি হায়না তেরা কৈথেলদা লৈবা চিলড্রেন হোমদা, অয়েকপম তোম্বা, নেসনল এৱার্দিনা থৌরম মপু ওইনা চৈচৎ ০৪/১০/২০০৯ কুমজাদা লাউথোকখি। মথক্তা পনখিবা পুয়া মরিগী মনুংদগী ৱাকোকলোন হিলেন থিলেন সলাই অমাইলোন পুকোক পুয়ানা অরোইবা ওইনা অমখক্তমক ওইবা অশেংবা পুয়া (হোলি বুক) নি হায়না লেপ্নখি। মীফমগী ৱারেপ অসিদা য়ানিংদবা ৱায়েৎ পীনিংবা লৈরবদি ৱাকৎ তৌবিরক্লবা থা অনীগী মতম পীদুনা মীয়ামদা খঙহনখি। মতমদুগী মনুংদা ৱাকৎ লাক্রবদি পূম্নমক্লা য়ারবনি হায়না লৌগনি হায়না মিদিয়াগী খুত্থাংদা মীয়ামদা পাউ য়ৌহনখি। ৱাকৎ লাক্রবনিনা অরোইবা ওইনা অয়েকপম তোম্বা মীতৈ, নেসনল এৱার্দিনা থৌরম মপু ওইদুনা মীফম অমা চৈচৎ ২০/১২/২০০৯ কুমজাদা পাঙথোক্তুনা অশেংবা পুয়া অমা লেপখিবগী ৱারেপ মরা চেৎশিনহনবগী অরোইবা ৱারেপ লৌখি। অরোইবা ফিরেপ লৌখিববু লৈপাক্কী লিন্দিং ন্যূজপেপরশিংদা চৈচৎ ২৫/১২/২০০৯ কুমজাদা ফোঙখি। অসুম তৌনা মীতৈগী লৈরিবা পুয়া লাইরিক অশেংবা অমা খনবগী ৱাফম লোইশিনখি।


মসিগী মতুং থা খরগী মতুংদা মীতোপকী লোনয়ান অমসুং চৎনলোন য়াওবা লাইরিক ইরম্বা মাইচৌগী মমিং য়াওদবা, লমায়দা বঙ্গালি ময়েক্কী চৈশিং ময়েক (অঙ্ক) না ইবা লাইরিক পায়বা কাঙলুপ মখৈ পূনশিল্লগা মীফম অমা লাইনিংথৌ সনামহী টেম্পল বোর্দকী শঙলেন্দা পাঙথোক্তুনা মীতোপলোল, চৎনলোন লৌথোক্লগা নৌনা ইননবা ৱারেপ লৌখি। নুমিৎ অদুদা ঐহাক্লা (ইবোমচা) কননা য়েৎখি। মীতোপলোল, মীতোপকী চৎনরোল য়াওবা লাইরিকশিংদগী লৌথোক্লগা নৌনা ইথোক্কনি হায়বা ৱাহৈ অসিনা তাকচরে মদুদি মখোয়না পুয়ানি হায়দুনা পায়জরিবা লাইরিকশিং অদু মীতৈগী অশেংবা পুয়া নত্তে। মীতোপ মীয়ানচানা কোনুংদা লাইরিক্কী থবক পায়খিবদগী মখোয়না পংইদা ইবা লাইরিকনি হায়বা মখোয়না য়াজরে। মীতৈ ঐখোয়গী লাইনীং চৎনবীদা লাইদা কৎনবা পোৎ নৎত্রগা অথেনপোৎতা শম নৎত্রগা চগ্রিং পল্লবদি শম নৎত্রগা চগ্রিং অদু লৌথোক্লগা লাইদা হৈ-লৈ অদু কৎনদে হায়বদি অথেনপোৎ পুল্লপ ওইনা কৎনদে অনৌবা অমমুক শেল্লগা/শিল্লগা কৎনৈ। হোটেলদা চাক পুখমদা শম য়াওরবদি শম লৌথোক্লগা চানদে, অনৌবা চাক্লুক অমা মহুৎ শিল্লি। মরম অসিনা মীতোপলোল, মীতোপকী চৎনরোল অমসুং মীতোপ ময়েক য়াওবা লাইরিকপু অমুক নৌনা খন্নফম থোক্তে হায়না ঐহাক ইশানা কন্না য়েৎখি। অদুবু মীফমগী মীওই অয়াম্বনা মশা মশানা পায়রিবা লাইরিকপু থাজদবনা স্কুল, কোলেজগী মেগাজিনগী মওংদা লাইরিক অমদগী খরা লৌ, অতোপ্পা অমদগী খরা লৌদুনা চাক্কা অমাংবগা তোৎপগুম তোৎলগা নৌনা ইথোক্কনি হায়বসি পুয়ারা/পুমলাল্লা হায়না হংজনীংই। ঐনা হায়জনীংই, পুয়া হায়বসি মাইচৌ অহুম, মরি মঙানা ইখিবা ঙাক্তনি। ঙসি ইবদি লাইরিক কৌগনি পুয়া হায়না কৌবা য়ারোই। নৌনা পুয়া ইগনি হায়বসি লাইওইখ্রবা মাইচৌশিংবু করেম্নবা ওইনা থোক্কনি। চিন-লৈ কেনগনি হায়হৈদে। ইরম্বা মায়চৌগী মমিং য়াওদবা লাইরিকপু পুয়ানি হায়ফরোইয়ে- লাইথুং লায়না পকচনি।

সনামহী টেম্পল বোর্দনা লৈপাক মীয়ামদগী মাগী মাগী পুয়া/অরিবা লাইরিক থাগৎলক্লবা পাউজেল চেগী খুত্থাংদা কৌখি। মান্নবা অপূনবা মরুপকী ওইনা মঙাংচা কৈসাম ইবোমচা (ঈশামক) না মতম চানা বোর্দতা লানখৎচখি। মতম খরা লৈরগা অমুক টেম্পল বোর্দনা করম্বা পুয়া/লাইরিকনো খঙনবা য়ূম্ফম (criteria) মীয়ামদগী কৌখি। ইবোমচা (ঈশা) না য়ূম্ফম বোর্দতা পীশিনজখি। ঐনা তাজবদা কাংজিয়া গোপালসু য়ূম্ফম (criteria) পীরকখি। য়ূম্ফম (criteria) গী মরমদা খন্নবা নৈনখিবগী ৱাফম লৈখিদে, নমশিন্দুনা থমখ্রে। মখোয়না পাম্বা মওংদা অসুম চত্থখি। বোর্দনা ইবোমচা ঐহাকপু চৈচৎ ৮/১২/২০১৩ কুমজাদা কৌরগা ৱাকোকলোন হিলেন থিলেন্দা য়াওরিবা লৈশেমলোন, মীশেমলোনগী মতাং ইথোক্লগা পীরক্লবা তাকপীখি। নুমিৎ অদুদা মখোয়না মখা তানা খন্নখি - অতৈদি কনা কনানা ইগনি? বীধুনা ইরেংবা পুৱারী ইরগে; অশোককুমারনা লৈথক লৈখারোন ইরগে; সাইরেম নিলবীর ঐনা সাকোক থিরেল ইরগে হায়না মখোয় অহুম্না লেপ্নখি। ৱাফম অসি সাপম পারিনা রেকোর্দ তৌখি। মতাং অদুদা ঐহাক্লা হায়খি মদুদি পুয়া অতৈদি কনা অমতা থাগৎলকত্রবরা? থাগৎলকপা লূপ নৎত্রগা মীওই অদুনা পাফম/ইফম থোকই। ঐনা অসি পারগে নঙনা অসি পারো হায়ফম থোক্তে। ঐনা মখা তানা হায়খি, (criteria) হান্না লোইরগা, Criteria না য়াবা পুয়া/লাইরিক অদুতমক পাগদবনি/ইগদবনি। পূম্নমক নমশিল্লগা মখোয়গী অনিংবা অপাম্বদা চত্থখি।

বোর্দকী য়াথং মতুংইন্না ইবোমচা ঐগীদি ১) ৱাকোকলোন, ২) খমওই য়াংওই সেকনিং ৩) ৱাচেৎলোন পথুপ ইরগা পাথোক্লবা মতুংদা বোর্দতা পীশিনজখ্রে। ঐহাক (ইবোমচা) না পুয়া ইথোকপগীদমক বোর্দকী লুপা অমা ফাওবা লৌখিবা লৈতে অদুগা ওজা সাইরেম নিলবীরসু লৌরম্লোই হায়না খনজৈ। অদুগা মীওই অনীদি থা খুদিংগী লুপা ১০,০০০ অপূনবা ওইনা লুপা ৫০,০০০ পুয়া ইবগী লৌই হায়না তাই। অশোককুমার অমসুং বিধুনা ইথোক্লিবা লাইরিকশিং অদুদি মৈতৈ শেক্সনগীনি, মখোয়রোম সাইদকী লাইরিক ইবগী পৈশা লৌফম থোক্তে। ওজা নিলবির অমসুং ইবোমচানা মীতৈ শেক্সনগী ইবনি। মাগী মাগী মায়কৈগী লাইরিক ইথোকপদা শেল লৌথোকফম থোক্তে। বোর্দনসু মখোয় অনীবু শৌগৎফম থোক্তে লোয়ননা মপু পান্দবা বোর্দ ওইহনদবা ফৈ। অহানবা ওইনা মৈতৈ কাঙলুপকী খমলাং ইরেং পুৱারী নৈনবা - লাইরিক অসি ময়েক ৩৫ না ইবনি। লমায় মশীংনা বঙ্গালি অঙ্ক মশীং ১, ২, ৩, ৪,৫ না ইরি। মরম অসিনা মীতৈ ময়েক্লা ইবা লাইরিক নত্তে হায়না লৌফম থোকই। লাইরিক অসিদা মীতোপলোল, মীতোপকী চৎনলোন, মীতোপকী ৱারী লীখুন য়াওই হায়বসি মখোয়না য়াজরবনি। লোয়ননা অখঙ-অহৈশিংনা য়ান্নরবা ৱাফমনি। থোইদোক হেন্দোক্লা খেনচংলোনগী মতাংদা চহীনা থা শাবা, চহীনা নুমিৎ নোংমা শাবা, চহী মশীং খেন্ননা অহুল্লক য়াওরি। অহানবা ওইনা লমায় ১৬ তা চাহৈ ৩০,০০০ না থা অমা ১তা ৱোইনায়ে। চহী ১০০০ না নুমিৎ অমাতা ৱোইনায়ে...॥ অনীশুবদা লামায় ৪১ দা চাহৈ লাখা ৩ লিশীং ৬ না চাহৈ ১তা ওইনায়ে। লমায় ৬০ দা চাহৈ লাখা ১ লিশীং ৬ না চাহৈ ১তা ওইনায়ে। চাহৈ ১৫ না থা ১তা ৱোইনায়ে। লাইরিক মসা অমত্তা চাহৈ শাবগী মশীং অহুল্লক ইবদা মশীং খেন্নবা, চাহৈনা থা নুমিৎ শাই হায়বসিবু অঙাও অফৈগী চোইরোল ওইবনা চৎনবা য়াদবনা মায়চৌ নৎত্রগা মীওই কনানা ইবনি হায়গদৌরিবনো? লাইরিক অসিদা ইমা, ইপা, মৈ, ঈশিং ইবগী মহুত্তা য়িমা, য়িপা, মই, য়িসিং হায়না ইরিবসি মরম করিগীনো হংনিংঙাই ওই। মীতৈলোল শেংনা হায়বা হৈতবা মীওইনা ইবরা হংনীংঙাই ওই। মসিদি মীতৈ ময়েকপু অমসুং মীতৈলোলবু করেম্ন বনি হায়নীংই। লাইরিক অসিগী লৈশেমলোন্দা লৈপাক মমিং থোনবা, কংলা কৌবা মতাং য়েক করিনো, সলাই করিনো, সনামহী, সলাইলেল, লৈমলেল, পাখংবা কনানো য়াওদবনা লাইরিক অসি পুয়ানি হায়নীংদে। অনীশুবদা শাকোক থিলেন হায়রিবা লাইরিক অসি নাওরিয়া (য়েলহৌ) ময়েক লাই কক্ ধন, নোং হায়বা পাবা ময়েকনা ইবনি। মীতৈ ময়েক্লা ইবা নত্তে। লাইরিক অসি শৈরেংগী মওংদা ইবনি। নাওরিয়ানা ইরম্বা লাইরিক অয়াম্বা শৈরেংগী মওংদা ইবিরমই। কাছারদা ফোঙবা 'মঙাল' কৌবা লাইরিক্কী লমায় ২২-২৫ ফাওবদা ইরিবা নাওরিয়া ফুলোগী চাওরাকপা পুন্সি ৱারীদা লমায় ২৩ গী পরেং ২৯ দা অহল ইবুংঙোনা ইবিরম্বা লাইরিক মমিংশিংগী মনুংদা 'সাকোক থিরেন' য়াওরি। মরম অসিনা লাইরিক অরিবা পুয়া নত্তে। কুমজা ১৯৩০ গী মতুংদা নাওরিয়ানা ইবিরম্বনি হায়না লৌজে। বঙ্গালী ময়েক্তা ফোঙদোক্লবা সাকোক থিরেনগী ১২ শুবা তাঙ্কক লমায় ৩৩ দা য়াওরিবা "লৈমারেনদি সিদবী নংগী নতিক খংবনি, নংগী পুক্লিং থুংনবা মহাক্তনা তৌগনি, তাইবঙ সাননবগী নংগী নাক্তা থমলমগে মনুং মপান ৱারিদি মাঙোন্দতা তৌরমগে" অমসুং ১৩ শুবা তাঙ্কক লমায় ৩৬, ৩৭ তা য়াওরিবা "সোরারেন্দি সিদবা পাউমেল পুকমেন লোইরগা তাইবঙ পানবা খিবিক্কী মথং মনাও শিল্লগা পারি অনী কৌদুনা য়েৎকা ওইগা চুপলমলে; সারোন লৈমরেনবীদা নুংসি পাউবু হায়রমলে; কৌব্রু লাইরেন সোরারেন তননা নোঙ্গাখ্রে। সনামহী পাখংবা নুংঙাই থোইনা পালহৌরে সনামহী য়াইফরেনগী নুংশি মিৎয়েং লমদমগী নুংশি ময়োন পুনখ্রে। সারোন লৈমরেনবীগী পুরৈলোম্বা পোকখ্রে। মহাক্কী ৱাফম অনীসি মরী য়াম্না লৈনৈ। অহানবগী অসিনা হায়রিবদি লৈমরেন শিদবীবু তাইবং শাননবগীদমক্তা সনামহীগী মনাক্তা থল্লম্লে। অনীশুবগী অসিনা সনামহীগা সারোন লৈমরেনবীগা পান্নদুনা পুরৈরোম্বা পোকলে। শম্না হায়রবদা হিন্দুগী দুর্গা, কর্তিক্কী ৱাফমগা মান্নহল্লে হায়হৈদবা পনবা য়াবা ৱাফম নত্তে, মতাং অসিনা লাইরিক অসি পুম্মাং মাঙহল্লে। মীতৈ খুন্নাইগী ওইনা ফজদবা লীচৎ শাজৎ য়াওবা লাইরিকপু লৈপাক্লা ইকায়খুম্নফম থোক্তে। অদুগা তাঙ্কক ১৪ শুবদা লমায় ৩৭, ৩৮ দা য়াওবা "লাইনিংথৌদি পাখং মচা তরেৎ পোকখরে। তাইনরকপা মতমদা পুমপং পংথরে তাইবঙ মীনি হায়দুনা পূম্নমক্লা খংনরে। খুমন, লুৱাং, মঙাং, অঙোম, মোইরাং কৌবা খাবা-ঙানবা অমসুং সলাং লৈশাংথেম কৌবগা তরেৎ অসি পোক্তুনা য়েক তরেৎ শনখরে। মথক্কী ৱাফম অসিদা লাইনিংথৌনা য়েক পোকই হায়রি। অতৈ লাইরিক (পুয়া) দনা য়েক/সলাই ইপুথৌ পাখংবনা পোকপনি হায়রি। লাইনিংথৌ হায়রিবসি কনাবুনো লাইনিংথৌ সনামহীরা নৎত্রগা লাইনিংথৌ সলাইলেনলা? অতৈ অতৈ পুয়াদা মঙাংনা মকোক থংই অদুগা লাইরিক অসিদা খুমননা মকোক থংবগী মরম পীফম থোকই। অহুমশুবা ৱাফম ওইনা - ৱাকোকলোন হিলেল অমসুং ৱাকোকলোন থিলেন পুয়া অনী অসিগী অফোঙবা অমসুং পুয়া মশামক ঐহাক ইশানা হাকথেংননা কয়ারক পারে উরে। পুয়া অনী অসি মশা অমত্তনি হায়না লৌবা য়াই। পুয়াগী ৱারী লীখুন লীবা মায়চৌ ইবিখিবা মায়চৌগী মমিং য়াওখিবা মায়চৌগী মমিং চপ মান্নে। খেন্নবা হায়ববু হিলেন্দা য়াওবা ৱাহৈ খরা খরা থিলেন্দা য়াওদে (মাংই) হিলেনগী শিন্দোক্লম্বা মীগী মমিং য়াওই থিলেনগীনা পুয়া পায়রম্বা মীগী মমিং য়াওই। নিংথৌগী মতম মমিং হীলেনদা নিংথেম পামহৈবা, থিলেনগীনা গরিবনিৱাজ হায়নাই। হিলেনগী চেদি মীতৈ (খূৎনা) শাবনি, থিলেনগী চেনা মিলগী চেনি লোইননা মথুপ মথুপ নাইবা (Folding) নি। পুয়া (Original) ওইনদি 'ৱাকোকলোন থিলেন সলাই অমাইলোন পুকোক পুয়া' কৌবা লৈতে হায়বা ঙমই। অফোঙবা ওইনদি 'ৱাকোকলোন থিলেন সলাই অমাইলোন পুকোক পুয়া' দি লৈ। Original নি হায়রিবা পুয়া অদুগী অহৌবা লমায়দা 'ৱাকোকলোন হিলেন থিলেন সলাই অমাইলোন পুকোক পুয়া হায়না থেংনখি। করি মরমগী অফোঙবা পুয়াদা হিলেন হায়বা ৱাহৈ য়াওদ্রিবনো হায়বসি ঐহাক্কী ৱাখলনা লাম্বা ফংজদ্রে। ৱাফম অসিদি মীয়ামগী মফমদা শীন্নজরে। ৱাকোকলোন পুয়াদা য়াওবা মচং ওইবা মচাকশিং শম্না ইজগে। (১) পুয়াগী য়াকাইরোল মিংখৈ লমায় ২০ দা (২) ইপুং-লোইনপা অপোকপা (সুপ্রিম গোদ), সালাইলেল সিতপা, লৈমালেল, সানামহী পাখংপা - লা: ১-৩ দা (৩) লৈসেমলোন মচা খাইনা লা: ১-৩ দা (৪) মীসেমলোল ময়েক সেংনা, কুপনা লা: ৩-২২ দা (৫) কংলা লাইফমলেন লা: ২৬ দা (৬) লৈপাক মমিং কংলৈপাক কৌবগী লা: ২৬ (৭) ঈপুথৌ পাখংবা পোকপগী মিংথোল কৌবগী মতাং লা: ১৮ দা (৮) ঈপুথৌ পাখংপাগী মচা সালাই তরেৎকী মমিং থোনবা, পোকপগী মতম, লৈফম, মচু তরেৎ মমিং লা: ২৭-২৯ দা (৯) পাখংবনা পাননখিবা লাইলুপ তরেৎকী মমিং লা: ২৭-২৯ (১০) সালাই তরেৎকী ঈবেনথৌ তরেৎকী অমসুং মচা তরেৎকী মমিং লা: ২৯-৩১ দা (১১) য়াইপীরেল মীংখৈ হা, হুঙ হৈ, হে হিং লা: ৬ তা (১২) য়েক কৌরকপগী অমসুং লৌনবা য়াদবগী লা: ৩২-৩৩ দা (১৩) ফুরুপকী মমিং 'মীতৈ' কৌবগী লা: ৫ (১৪) থৌৱাঙ্গ করিনো? কৌবগী মরম লা: ১৯ (১৫) ঈমা ঈপা ইচাগী ৱাহম্ভোক লা: ১৮ (১৬) ঈমা লৈমালেলগী সাঙ্গওল ওইরিবী নুপীসিংগী থা থাগী ৬ নি ঈমসেংবা লা: ১৫ (১৭) তরুকনি সুবা নুমিত্তা ঈম-কৈ সেংলগা 'ঈপাল থাবা' লা: ১৭ (১৮) মালীয়াফম পালচা কুমসীঙ মমিং অমসুং মসিঙ লা: ৩১, ১, দা (১৯) লাইপুংথৌ তরেৎকী মমিং - (১) নোংপোক চীংখৈ অপানবা (২) অৱাংপা কৌপালু অসুপপা (৩) থাংচীঙ কোঙ্গলেল লাঙ্গ (৪) খানা চাউপা ৱাঙপুলেল লাঙ্গ সিতপা (৫) ঈলাই পুলেপ পুলিঙ লাঙ্গ সিতপা (৬) লাঙ্গনিংথৌ পাংকলপানে (৭) সালাইলে সিতপা লা: ৩ দা (২০) মণিপুর (কংলৈপাক্তা) লৈরিবা পুয়াসিংগী মনুংদা নেসলনেল আরকাইবতা চাংয়েং (অরি অনৌ) তৌরুবা পুয়াদি ৱাকোকলোন হিলেন থিলেন সলাই অমাইলোন পুয়াতনি হায়জনীংই। (২১) পুয়া অসিগী থোইদোক হেন্দোকপা মতিক ময়াইদি ইনিংথৌ মোংয়াম্বানা পুয়াগী ৱারী লীখুনবু পুকনিং চংনা তারবা মতুংদা থাং খৌবোম্বা, তা খমসুনাহা ফংজদুনা খাকী লৈপাককী মাইতনা কৌবা হিংচাবা হাৎপা ঙমজখি॥০॥ হায়না লমায় ৩৩ দা য়াওরি। মথক্তা পনখ্রিবা লাইরিকশিং পাদুনা নৈনরগা খঙদোক্লবদি লৈপাক্কী য়াইফবা ওইগনি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২১

১। "চৎলসিনে কদাইদনো ইবানি/থাবলগী ঈপাক মথকসিদা হিহোনবনা য়ৌঙমদ্রবা লমদমদুদা" কবি কনানা হায়রম্বনো?
২। মমিং লৈরবা ক্রিটিক নোংমাইথেম তোম্বীনা শৈরেংগী লাইরিক অমখক ফোঙখ্রে। মমিংদু করি কৌই?
৩। 'নোংথাঙলৈমা অমসুং তাইবঙ' লাইরিকসিগী অইবীদু কনানো?
৪। 'তমস' মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপনো?
৫। হাপ্লিবা শক্তম অসি কনাগীনো? ☞



ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ০৯, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।